# চৎখ্রে ইচাশিং ঐখোয়গী হয়েংগীদমক

## (মরৈবাক্কীদমক থৱায় কখোকপা হায়বসি খ্বাইদগী অফবা মপোকনি। মণিপুরনা লৈরিবা মখৈ নখোয়গী মিংদি সনাগী ময়েক্কা ইরগা লৈহৌরগনি)



অচুম্বতনা জয় ওইরকখিনি
কর্নেল হাওরোংবম সরত (রিটাইয়র্দ)
শোত্থরবশিংদা কখোকচবা

ইপুনাৎ-ইপানাৎকী চৎন-কাঙলোন মতুংইন্না থায়নদগী হৌনা ঐখোয় মশেল উনবদা খুরুম্নরক্লি। কংলৈপাক (মণিপুর) গী অহল-লমন্না থন্বীরম্বা চৎন-কাঙলোনশিংসি ঐখোয় পূন্নমক চৎন্নবা হোৎনসি। থম্মোয় শেংনা ঐখোয় মশেল হিংমিন্নসি। অসুম্না ঙসি ইহান হানবমক্তদা পাউজেলসিবু পাবিরিবা খ্বাই পূন্নমকপু থম্মোয় শেংনা খুরুমজরি। অদুগা লোয়নননা পাউজেলসি পারবা মতুংদা মীয়ামদসু থম্মোয়গী ৱাখল অসি খন্নবীয়ু হায়জনীংই। পুল্লপ-পুল্লগা ঐখোয় খন্থমিন্নসি।

মালেমসিদা ঐখোয় পূন্নমক্না হিংলিবসি করি মরমগীনো? পুৱারীগী লমাইশিং পাবীয়ু। ঐখোয়গী অহল-লমনশিং করম্বা পূন্সি মহিংদা হিংলমখি। মখোয় কনাগীসু মীখা পোল্লগা হিংলমদে। মালেমগী অৱাংবা থাক্কী লিচৎ চৎলগা হিংলমখি। কনাগীসু মতৌ তম্লমদে। চাবা-থকপা মরাং কাইরম্মী। ঈজৎ লৈনা হিংলমখি। কনাগীসু মতেং লৌরমদে। পোত্থোক পুথোক্লবদি কনাগীসু মীখা পোল্লোই। মমাঙৌেদগী অহল-লমনশিংনা থন্বীরম্বা ফৌশিং মমিং ওইনা খরদং পঞ্জরবদা কুম্বী, চঙহৈ, মোইরাং ফৌ, পোইরৈতোন চাকহাও, ফৌরেন অমুবী, ফৌরেন, ফৌচাও, চিনা পেতি, ফৌদুম, ফৌদুম অমুবী, ককচেং ফৌনচিংবশিংনা ইন্দিয়াগী বাসমতি, অসামগী যুহা চেঙনা হেনবা নত্তে। ঐখোয়গী ফৌশিংসি থারগা ৱাজাও ঙাঙলিবা ইদিয়নশিংদা য়োনবা য়াগনি। ঐখোয়গী ফৌদি প্রোতিন অসি অসুক্কী মতিক য়াওই, ফুদ সপ্লিমেন্ট ওইনা ভিটামিন-টৌনিক অমত্তা চাদ্রবসু য়ারবনি। ঐখোয়গী অঙাংশিংনা মশা কল্লিবা, স্পোর্টসকী মায়কৈদা মমাঙ থারিবসি ফৌশিং অসিগী মতেংননি।

ঐখোয়গী ইতিক-ইগুণ পূন্নমক ইন্দিয়াগী চে-মচেৎ শেল হায়বা অসিনা মাঙহনখ্রে হায়বসি খন্থবা ঙমদ্রে। চে-মচেৎ অসিনা খুন্নাইসি মাঙহল্লক্লি হায়বা ৱাফমসি য়াম্না মুন্না খন্থবগী মতম য়ৌরে। খুন্নাইসিদা হিংলিবা পূন্নমকসি চে মচেৎকা শিন্নবা য়াবা নত্তে হায়বসি খন্থমিন্নসি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফমশিংদা খঙহনসি মীতৈশিংদি মশাগী ওইজবা চৎন-কাঙলোন লৈজে। মখোয়না (ইন্দিয়ানা) হায়রকপা খুদিংদা য়াগদৌবা মীতৈ নত্তে হায়বসি। মীতৈ ফুরুপ মূৎননবা শিল্লক্লিবা লাং অসিদা থুগদৌবা ঐখোয় নত্তে হায়বসি ময়েক লানা থবক্না উৎলি। লৈবাক্কা ফমগা শিন্নবা য়াবা নত্তে।

খুন্নাইসিদা মফম-মরাং খঙদ্রবা ফম্নাইবশিংনা নিংথৌ খুভম মুন্নবদগী অতোপ্পা ফুরুপকী মতেং লৌখি। ফম্নাইবশিংনা মতিক চাদবদগী মীচম মীয়াম য়াম্না ৱানা হিংলকখি। ঙসিসু ফীভম অসি ওইরি। ফত্তবগী অরোইবা পুংফম শোয়দনা লাক্কনি অমসুং লাক্লি। মণিপুরদদি জুন ১১, ১৯৪৮দা ইহান হানবা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোকখি। ইন্দিয়াদনা চহী ৫ মুক্কী মতুংদা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোকখি। মীরেম খরগী থৌইনশিন্দা অমসুং নম্ফু শাফুদা মণিপুর অসি নমদুনা ইন্দিয়াদা পূনখিবনি। অদুম ওইনমক ঐখোয়গী অশেংবা আইদেন্টিটি অসিদি লেংদনা থম্লমগদৌবনি। ঙসি ঐখোয়না ওক্টোবর ১৫ খুদিংগী ব্লেক দে হায়না পাঙথোক্লিবসি করি মরমগীনো হায়বসি শুক্কাউ কাউবা য়াদ্রবা ৱাফমনি। মণিপুরগী ইহান হানবা চীফ মিনিষ্টরশিংগী থৌরম পাঙথোকপগী মথক্তা ইন্দিয়াগী হংলাইশিংগী থৌরমশিং পাঙথোক্লি।

ঙসি ওইরিবা থৌদোক-ৱাথোক পূন্নমকসি ঐখোয়গী অশোয়বদগী থোক্লকপা ঙাক্তনি। হৌজিক ফাওবদি খুন্নাই অসি মীখা পোনবশিংগী ৱাখলদা হিংলিবা ৱাখল খন্থবা ৱাৎলিবা হংকোকশিংনা মকোক চিংলিবা খুন্নাই ওইরি। নিরগা হিংলিবা মীওইদুবু, খুন্নাইসিদা কনানদি ইকায়খুম্নগনি। হন্দক থোক্লিবা খুদম হায়ববু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ময়েক শেংনা উৎখ্রে। মসিদগী হেনবা খুদম চাংদম অমত্তা লৈত্রে।

য়ু এস এনা জপানদা এটোম বোমশিং ওগষ্ট ৬, ১৯৪৫দা হিরোসিমাদা অমসুং ওগষ্ট ৯, ১৯৪৫দনা নাগাশকিদা থাদখি। এটোম বোম থাদখিবদগী ঙসি ফাওবদা জপানিজশিংনা য়ু এস এদগী পোৎ চৈশিং অমত্তা লৈদে। অসিগুম্বা খুদমসি ঐখোয়সু উৎসি। ইন্দিয়নশিংনা ঐখোয়বু হন্থনা য়েংবা য়াবা নত্তে। ঐখোয়গী আইদেন্টিটি ঙাক্লগা থমসি। মালেমগী লৈবাক অমত্তনা ঐখোয়বু ইকায়খুম্নদবা তৌরোই। ঐখোয়বু মীরাইবীবা মীদা ঐখোয়না নোঞ্জবগী মথৌ তাদে। ইন্দিয়নশিংনা ঐখোয়দগী করিসু হেন্দে।

হৌজিক খুন্নাইসি য়াম্না লুরবা তাঞ্জাদা লৈরিবনি। অহল-লমন, মমা-মপা লৈত্রবা ইমুং অমগা চপ মান্নরি। লমদম অসিদা মীওই খরদি ঙাঙনীংবা ঙাঙলি। তুংগী মীরোলগীদমক করিসু খন্দনা পাঙথোক্লিংবা থবকশিং পাঙথোক্লি। ইন্দিয়াদা হৌজিক লৈরিবা ষ্টেটশিংদা ঐখোয়গী অসিগুম্বা মফম-মরাং খঙদ্রবা ষ্টেট অমত্তা য়াওদে। ঐখোয়গী পূন্সিসি নুংঙাইনা লৈবা মপোক নত্তে। "Voice of the People is the Voice of God" (মীয়ামগী খোল্লাওসি ঈশ্বর (মপু) গী খোল্লাওনি হায়বসি কাউখ্রে। মীচম মীয়াম্বু ইকায়খুম্নদবা ফম্নাইবশিংনি। মাদর টেরেসানা হায়বিরমখি - "The cause of Violence in today's world is the Silence of the Good people" অফবা মীশিংনা হৌজক ওইরিবা ফীভমসিদা তূমিন্না লৈবীগনু।

মণিপুরবু ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখিবগী মওংগা সিক্কিমবু ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনবগী মওংগা পুমখেন খেন্নে। মণিপুরবু কুমজা ১৯৪৯দা লৌশিনখি। কোংগ্রেস পার্টিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অসি চলাইরে মতমদুদা। অদুগা ইন্দিরা গান্ধীনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদনা সিক্কিমসু ইন্দিয়াদা নমদুনা লৌশিনখি। এপ্রিল ২৬, ১৯৭৫দা ইন্দিয়ন পার্লিয়ামেন্টনা অয়াবা পীরগা সিক্কিমবু ইন্দিয়াগী ২২শুবা ষ্টেট ওইহনখি। ঙসি ফাওবদা কোংগ্রেস পার্টিগী মমি তাবা ঙমদ্রি সিক্কিমদদি। কোংগ্রেস পার্টিগী নম্ফু-শাফুদু সিক্কিমিজনা কৈদৌনুংদা থম্মোয়না কাউবা ঙমদ্রি। সিক্কিমদা ইন্দিয়াগী নেসনল পার্টিগী পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা লৈঙাক পায়বদি মঙদফাওবা ওইরোই। সিক্কিমিজশিংগী চপ চাবা আইদেন্টিটি থল্লগা হিংলি। মীতোপ্পা লম লৈবা য়াদে। ইন্নর লাইন পর্মিট ষ্ট্রিক্টলি চৎনৈ।



Colonel Sarat in front of India Wall (Nathula Pass) Indo -China border 1991

সিক্কিমগী মরু ওইবা মফম গেংটোক্তা চে মচেৎ অমা ফাওবা লম্বী-সড়কতা লংথোক্তে। লংথোকপা য়াদে। গেংতোক্কী মরু ওইরিবা The Mall Road হায়রিবা ইন্দিয়ানা লৌশিল্লগা এম জি রোদ হায়না খঙনরিবা কিলোমিটর তঙ্খাইগী লম্বী অমা শাংলিবা মফম অসি টুরিষ্টশিংগী পেরাদাইসনি। লম্বী অসিদা টুরিষ্টকী, মীয়ামগী ফম্ননবা উনা শারগা বেঞ্চশিং লম্বীগী নাকল অনীদা থল্লি। দুকানশিং লম্বীগী য়েৎ-ওইদা শেল্লি। রেষ্টুরেন্টশিং লৈরি। লম্বী ময়ায়দা ষ্টেজ অমা শারগা থল্লি, মরক-মরক্তা কন্সর্টশিং পাঙথোক্লি। শেল লৌদনা মীয়াম য়েংবা য়াই। উফুল মরিক অমত্তা উরোই। দষ্টবিনশিং য়াম্না লূ-নান্না থল্লি। ৱেষ্ট মেটরিএল অমত্তা লম্বী-সড়কতা তাবা থেংনরোই। ইম্ফাল সহরগী ওন্ন-তৈনবদু উবা ফংবীগনি। গাড়ীশিংগী হোর্ন অমত্তা তারোই। লাউ-খোংবগী মখোল অমত্তা তাবা ফংলোই। নোংমৈ পায়বা য়ুনিফোর্ম শেৎপা মী অমত্তগী মমি ফাওবা তাদে। অসিগুম্বা মফমসি মণিপুরদা ঐখোয়গী মতমদদি উবা ফংলরোই। গেংটোকসি অহলশিংগী পোত্থাফমনি।

সিক্কিমদা নন-সিকিমিজ অমত্তা মখোয়গী ষ্টেট সর্ভিসতা থবক চঙহন্দে, পীদে। সিক্কিমিজ নুপাদা ময়ূম পাল্লবসু নুপীদুনা গভর্ণমেন্ট সর্ভিসতি ফংবা য়াদে। মখোয়দি মখোয়গী আইদেন্টিটি ঙাক্না চৎলি। কলচরেল আইদেন্টিটিসু য়াম্না কন্না ঙাক্লগা থল্লি। মসিদি তমজনীংঙাই ওইবা খুন্নাইনি।

চাইনাগী Sentry Post Nathula Pass তা উবা ফংলি। মখোয়গী সিফাইদি য়াম্না মশা-নান্না সিমেন্ট-গ্লাসনা চেকনা শাবা সন্ত্রি পোষ্টতা দ্যুটি তৌবদু উরি। অদুগা ইন্দিয়ন সিফাইদি নূংনা-চেকনা সী জি আই শীটনা শাবা সন্ত্রি পোষ্টতা দ্যুটি তৌবদু উবীগনি। সিন অনীসি য়াম্না খেন্নে। ইন্দিয়া-ৱাল অমসুং চাইনিজ ৱালগীসু উবা ফংলি। চাইনিজ আর্মিদি লাইভ রাউন্দ হায়বদি নোংমৈ মরূ মরক্তা ত্রেনিং তৌই। অদুগা ইন্দিয়ন আর্মিনা বম্বুলা হায়বদি Bicet Strip হায়না খঙনবা বম্বুলাগী মতেংনা ত্রেনিং পীরি। চাইনিজ আর্মিদি - USA, Russia, Japanese, Mongals নচিংবা লৈবাকশিংগী মায়োক্তা লান শোক্লখ্রে। চাইনিজ আর্মিগা ইন্দিয়ন আর্মিগা লম্বা তৌবা য়াখিরোই। পন্দিট নেহরুনা ইন্দিয়ন আর্মিগী ওফিসরশিংবু য়াম্না হন্থনা য়েংখিবগী থৌদোকশিং য়াম্না লৈরি। ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি অসি শীংথানীংঙাই ওইদে।

কুমজা ১৯৬২গী ওক্টোবর থাদা চাইনানা ইন্দিয়াদা লান তৌরকখিবদগী পন্দিট নেহরুগী পূন্সি খঙতেন তেনশিনখিবনি। কাশ্মীরী মচা (নেহরুগী কাঙলূপ), Army Service Corps (হায়বদি আর্মি সপ্লাই তৌবা) ওফিসর, Brij Mohan Kaul বু আর্মিগী রুল পূন্নমকপু থুগায়রগা Corps Commander ফাওবগী ফম পীখি। Army Service Corps তা কম্মিসন তৌবা ওফিসরদি বৃগেদ কম্মান্দর অমসুং দিভিজনেল কম্মান্দর (জি ও সী - জেনরেল ওফিসর কম্মান্দিং) ওইবা য়াদে। Corps Commander হায়বসিদি বৃগেদ কম্মান্দর অমসুং দিভিজনেল কম্মান্দরগী মথক্কী রেঙ্কনি। ইন্দিয়াদদি প্রাইম মিনিষ্টরনা, ফম্নাইবশিংনা পাঙথোক্লীংবা থবকসি হান্নদগী হৌনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অরানবা থবকশিং পাঙথোকপসি ফম্নাইবশিংগী অহানবা মথৌ ওইরি।

শোয়খিবা পূন্নমকসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা লাইরিক ওইনা ইজরকখিগনি। মদুগী মতমসু শোয়দনা লাকখিগনি। মতিক চাদবা মীদি রুলগী, লোগী, মীওইবগী চৎন-কাঙলোনগী মায়োক্তা থবক য়াম্না পাঙথোকখি অমসুং পাঙথোক্লি। মীয়ামগী মতম মাঙহনবসি মতিক চাদবা মীওইশিংনা খিৎ হেল্লি।

ইমা লৈবাক্কীদমক ইচা ১৯৭না পূন্সি কখোকখ্রিবসি মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট অসি কাননবগী খুদোল পোৎনি খনবীবরা? থৱায় য়াওদ্রবা মচাশিংগীদমক মমাশিংনা থম্মোয়দগী শিন্থরিবা পিরাংগী লমনদি মীনুংশি মচেৎ অমত্তা য়াওদ্রবা নখোয় পূন্নমক্না শোয়দনা ফংগদৌরিবনি। মীদিয়া চেনেলশিংদা কপ্লি, লাওরি- শান্তি লৈরে হায়বীগনু। পিছ লৈরে হায়বীগনু। পিছ কদাইদা লৈরিবগে? ইচাগুম্না ঐসু থৱায় কৎকনি। বোমবু বম্বুলানি হায়বিরি। থৱায় কৎখ্রবা পূন্নমক ঐগী ইচানি। কপ্লরোই ইচাগীদমক। থৱায় য়াওদ্রবা ইচা পামদ্রে। লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবনিনা ইমা পেল্লে। অঙম অথৌ, লৈঙাকপসু অমুক্তা তাবীয়ু। ইরমদম অসিদা শান্তি অমুক্তা হঞ্জিলহনবীয়ু অমসুং লৈহনবীয়ু। থম্মোয় কায়রবা মীয়াম্নি।

লৈঙাক অসিদি লৈতবগা চপ মান্নখ্রবনি। ইবগী মতম মাঙনবনি। মণিপুর মীয়ামসি ইলেক্সনগী কলচর অসি য়াম্না পাম্নে, থায়নদগী হৌনা। মীয়ামগী দিমান্দদগী ইহান হানবা জেনরেল ইলেক্সন জুন ১১, ১৯৪৮দা পাঙথোকখি। মীয়াম্না খনখিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মশিংদি :-

| | |
|---|---|
| ১) মণিপুর ষ্টেট কোংগ্রেস | - ১৪ |
| ২) মণিপুর কৃশক সভা | - ৫ |
| ৩) সোসলিষ্ট পার্টি | -৩ |
| ৪) হিল (ইন্দিপেন্দেন্টস) | -১৮ |
| ৫) ইন্দিপেন্দেন্ট (প্রজা শান্তি) | - ১২ |
| ৬) নোমিনেসন | - ০১ |
| | ৫৩ |

মণিপুরগী ইহান হানবা ইলেক্সন অসিদা পার্টি অমত্তনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংখিদে। ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এশিং, প্রজা শান্তিগী কাঙবুনা গভর্ণমেন্ট শেমখি। শেমখিবা গভর্ণমেন্ট অদুদা Capt. P.B. Singh, Chief Minister, Major R. Kathing, MBE, MC, A. Ibotomba Singh, Dr. N. Leiren Singh, A. Gourabidhu Singh, Teba Kilong, Md. Alimuddin মখোয় তরেৎনি। ফজনা থবক পাঙথোক্লম্বা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংদু Major General Rawal Amar Singh না ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দা মূখৎখি।

মণিপুরগী ইহান হানবা চীফ মিনিষ্টরদি Mr. F.F. Pearson নি। ইহান হানবা মণিপুরী চীফ মিনিষ্টরনা Capt. Priyobrata নি। হৌজিক ফাওবদা মশীং ওইনা ১৪ শুরে চীফ মিনিষ্টর ওইখিবসি। পীকখ্রবা লমদমসিদা লৈরম্বা অমসুং লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদি :-

(1) Congress (INC) (2) Manipur State Congress (3) Manipur State Congress Party, (MSCP-লৈঙাক শেল্লকখি) (4) BJP (5) Communist Party of India (6) CPI (Maxisist) (7) Trinamool Congress (8) Janata Dal (United) (9) Shiva Sena Dal (10) All India Forward Block (11) Aam Aadami Party (12) Lok Jan Shakti Party (Paswan) (13) Socialist Party (14) Praja Socialist Party (15) RPI (Awathawale) (16) DRPP (Democratic Revolutionary Peoples Parties (17) Samanta Party) (18) National Peoples Party (19) Naga Peoples Front (NPF) (20) Praja Shanti Party (21) Manipur Krishak Sabha মসিদগী হেনবা পোলিটিকেল পার্টিসু লৈরমখিগনি।

নহালৱাইদগী হৌনা মণিপুরদা অপূনবগী ৱাখল অমসুং থবক অমত্তা ঙসি ফাওবদা পাঙথোক্ত্রি। অমত্তা ওইসি, নুংশি চান্ননা হিংসি, কখোকপগী থম্মোয় পানসি, অহেনবশিংনা অৱাৎপদা মতেং পাংবীয়ু হায়বসি য়াদ্রবা লমদম ওইদুনা লৈরি। লমদম অসি অফবা মীশিংগী নরক্কুম্বনি। অদুগা ফত্তবশিংগীনা স্বর্গনি। পূন্সিসি কাঙলোন কায়না হিংবা য়াদে হায়বসি মখোয় খঙদ্রি। লমদম অসিগী লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংগী মপূ ওইরমখিবা করপসনগী মহীক মপীশিংদু পূন্সি লোইরমদাইদা হূই অঙাওবনা চীকখিবা মীশিংগী মওংদা মপূন্সি লোইখি। মীওইবদি মানা-মানা তৌজবদু মশানা অদুম ফংজবনি।

মে ৩, ২০২৩দগী হৌজিক হিংলিবা পূন্সি মরেলসি "THE DARKEST CHAPTER OF MANIPUR HISTORY" নি। অচুম্বা অশেংবদু হন্দক্কী তাঙ্কক অদু পুৱারীগী লৈমায়দা লৈহৌরগনি। শেমজিন-শাজিনবা ৱারীশিংগী অরোইবা মতাং লাকখ্রে। কুমজা ১৯৭৩দা Justice Bose, Calculla High Court কী (ex-Judge গী) দিলিমিটেসন অদু চহী ৫০ হেল্লবা ফাওবা পাঙথোক্ত্রি। চহী ১০ খুদিংগী দিলিমিটেসন অসি পাঙথোক্কদবনি। ইন্দিয়াগী লৈঙাক অসিসু অশোয়বনা পীক থনবনি। ফত্তবশিংগা পূল্লুবদগী ঙসি ঐখোয়না ৱারিবনি। মপূগী থৌজাল ফংনবা পুকচেল শেংনা থৌনিসি। ●

# চাওখৎপা মণিপুর

- খোইস্নাম থিরেন মীতৈ -

কাশ্মীরদগী খোঙনা চৎপদুনা কৈন্যাকুমারি য়ৌরবা ইন্দিয়াগী খা-ৱাং লোইরে। গুজরাটতগী সাইকল থৌরগা সুম লাকপদুনা করিগুম্বা গুৱাহাটি য়ৌরবদি ইন্দিয়াগী নোংপোক-নোংচুপ থুংলবনি হায়বা ৱাখলসি ইন্দিয়াগী ময়ায়দা লৈদুনা লৈঙাকখিবশিং, লৈঙাক্লিবশিং পূন্নমক্কী মকোক মনুংদা য়াওরগা লৈ। ৱাহৈসি কয়া ফজদে হায়দুনা খরা চুমথোক্লগা - কাশ্মীরদগী কৈন্যাকুমারী ফাওবা, বোম্বেদগী বেঙ্গোল ফাওবা হায়বসু য়াওই। বেঙ্গোলগী অৱাং-নোংপোক চিদাইদা লৈরিবা মণিপুরগুম্বসি মীরাইবদি নত্তে। মখোয়গা মমান্নবা ওইনা তিন্নরকপা, স্কুল পুল্লকপা মী লৈতদুনা ৱারী শাবদা পাউ অমা ইফাও ফাওনদবদৈ কাউথোকপনি। কাউথোকপদগী সুম খঙখিদবনি।

মখোয়না মণিপুর খঙদবগী থাক্তি মণিপুরদা কুকি লৈরমদে হায়বফাওবা হেক খঙদে। মণিপুরদা লৈরম্বা কুকিদি লায়রদনা মণিপুরদা কুইনা লৈরক্লবা নেসনল হায়ৱে ফাওবা খঙজদে। মখোয়না করিগুম্বা তাঞ্জাদা খঙলিবসি মোরেগুম্বদগী নম্বর ফোর য়াম্না পুথোক্লরক্তুনা শেল য়াম্না পায়বা য়াওনৈ। মরু ওইনা লৈঙাক পায়বশিংনা শেল য়াম্না পায়রিবসি মণিপুরলোমদগীনি হায়বসিমদি হৌজিক শোক্লরিবা লানসিদগীসু অদুম চুম্মী হায়বা খঙলম্লনি। ইন্দিয়াগী এম পি চামঙারোম অসিদা মোরেদি য়ৌরুরগা মমানা হেক পোকপদগী মণিপুর য়ৌরক্ত্রিবা এম পি চামরি হুম্ফুমুক য়াওরমগনি। মখোয়না য়াবা মীদুননি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা।

দেল্লীগী লৈঙাক্কা মণিপুরগী মরমদা খঙবিদ্রবসু ঐখোয় এ সীগী মীহুৎনদি মাগী এ সীগী লম্বী থোং মুন্না খঙই। গাড়ী অমুবদা তোংলবসু উফুল হৌবা লম্বী মপা য়ৌরকপদা মীংশেল ফুল চিংখৎলি।



লৈকায়গী অহলশিংনা হেক-হেক পোত্থাদুনা ফমগনবা লম্বী মপানগী লম্পাক্তু য়ৌরমদাইদা গাড়ীগী খোঙজেল য়াঙবা হেনগৎলি।

পূন্নমকসি হৌখ্রগা হন্দক্কী কুকিগী লান অসিদগীদি হান্নগা য়াম্না ফজনা মান্নদ্রে। কুকিনা মীতৈগী য়ূম মৈ থাদুনা তাল্লে হায়বা নুমিৎতুদগী ঐখোয় এ সীদংদি য়ৌরক্তনবা হায়দুনা ৱানা হোৎনবদা মশক-মশা উখিদ্রে। কুকিনা নোংমৈ কাপ্লক্তনবা দেল্লীদা চৎলি হায়বসু তাই। ময়ূমদা লৈ হায়বসু য়াওই। মীয়ামগী লুচিংবনিনা করিনো অমদি শোয়দনা তৌবীরমগনি। ঐখোয় এ সীগী লুচিংবগুম্বা ময়াম পূনশিল্লগা মণিপুর লৈঙাক শেল্লিবনিনা লৈঙাকসু তূমিন্নদি লৈরম্লোই।

মীয়ামসি হৌজিক অতৈ ৱাখল খনবা শঙনদ্রে হায়বা লৈঙাক্না খঙবদৈ মণিপুরদা য়ু শুংবা, য়ু য়োনবা, য়ু থকপা য়ারে হায়দুনা লাউথোরক্লিবসিনি। ৱাখল খন্দবা লৈঙাকপশিংদি নত্তে। মীয়াম্না খনবগা খরা ওন্ন-তৈনবগী ৱানি। অসুম্না লৈঙাকপীরিবা ঐখোয়গী মীহুৎশিংগা, মণিপুর কদাইদা লৈবগে খঙদবা ইন্দিয়াগা ৱা তানদুনা মণিপুর চাওখৎপা লমদম অমা ওইননবা মীচম মীয়াম অশিবগী লৈবাক তম্না থাবীরিবসিনি।

ঐখোয়গা ইন্দিয়াগা করি করম্বা মরী লৈনবগে হায়বসিদি ঐখোয়গী লম্বীশিংনা ইরায় লায়না তাকপীরি। ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীনা ঐখোয়বু ইন্দিয়াগা শম্নহল্লিবনি। ইম্ফাল জিরি লম্বীনা ঐখোয়বু ইন্দিয়াগা মশক উনহল্লিবনি। লম্বী অনীসিদা কায়রিবা ময়াম, কোমকুৎ ময়ামসিনা ঐখোয়বু ইন্দিয়া তম্না পুবীরিবনি। নেসনল হায়ৱে ওইরবসু ঐখোয়গা ইন্দিয়াগা শম্নরিবা হায়ৱে অসিদি লম্বী ময়ায়দা নুংশা য়াইরগা হিপ্পদা করিমত্তা হায়দ্রবনি। লমসিদনি নোংমৈ পায়বনা পোৎ চৈ মুনগে য়াদ্রগা নোংমৈ মরূ হেক হেক কাপশিল্লি হায়বদুসু। অঙাং মনপ চোবা খরনা গাড়ী খাম্লগা শেল লৌবদা ইন্দিয়াগী সিফাইনা করিমত্তা হায়দে হায়বা লম্বীসিদা চৎলগা গুৱাহাটি য়ৌদৌরিবনি। নেসনল হায়ৱেনা লন্নাই লম্বী ওইবা মণিপুরনি ঙসি ইন্দিয়ানা মণিপুর চাওখৎনবা হোৎনরিবা।

কুকিগী লানসিদি ঙরাং নহান্তা ঙাইরিবনিনা থোইনবু খনবীদ্রে। লান শোক্লবা য়াম্না কুইরক্লবা জিরি লম্বীগা দিমাপুর লম্বীগা অনীসিদা ঈং-তপ্পা অমুক্তা পুবীরকপা ঙম্ব্রা য়েংবীয়ু। লম্বী অনীসি সিৎ নান্না গাড়ী জিরি-জিরি থৌবা হেক য়াবদা মণিপুর ৱাখল অমদি থোক্কনি। কুকি হোন্দোকপদসু খুমাঙ চাওশিনগনি। ●

# লৌরোক পান্থাদা খুল্লংগী চৎনবী

- মোইরাংথেম দিনকান্তা -

মমাঙঙৈদগী হৌনা লমদম অসিদা পোইনু থা অসি লৌরোক পান্থা হায়না মীয়াম্না খঙনরক্লবসু হৌজিকপুদি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না ফৌ মখল কয়া থোক্লকপা অমসুং লৌউ কাঙলোন্দা অনৌ-অনৌবা টেক্নোলোজি অমদি ৱাখল্লোন কয়া পুথোক্তুনা ফৌ লোকপগী মতম অসি খরা ঙনখৎনা হিয়াঙ্গৈ থাদগী হৌনরে। খরা ঙন্না থানখিবা ফৌশিংদি মেরাগী থাশিরমদাইদগীসু ফৌ লোকপা হৌনরে। অদুনা থা ৪/৫গী মমাঙদগী য়াম ৱানা হোৎনরকখিবা লৌশিং লোকশিনহৌনবা লৌমীশিংনা খুল্লং তৌবগী চৎনবী অমসু হৌজিক ফাওবা চৎনরি। খুল্লং তৌবগী চৎনবীসি মমাঙঙৈদগী মীতৈ/মৈতৈ ইপা-ইপুশিংগী মতমদগী চৎনরক্লবনি। হায়রিবা খুল্লং তৌবগী চৎনবী অসি মীতৈ/মৈতৈ ইপা-ইপুশিংগী য়াম্না ফজবা ৱাখল্লোন অমনি হায়না শীংথানীংই। অদুবু লৌউ কাঙলোন্দা অওনবা কয়া লাক্লবসু খুল্লং তৌবগী চৎনবীবু মহুৎ শিনগদবা পাম্বৈদি ঐখোয় শ্বাইদা লৈত্রি, খুল্লংগী চন্নফম লৈ।

লৌমীশিংনা নুমিৎ কয়ানি চঙনা তৌগদবা থবক অদু চাওখৎপা লৈবাকশিংদদি মেছিন্না পুং খরদা লোইনা তৌনরে। অদুনা ঐখোয় শ্বাইদসু লৌ লোকপা, লৌ খাওবগী থবক থৌরমশিংদা চহী খরগী মমাঙদগী মেছিন শীজিন্নবসি হৌনরক্লে। লমদমসিদা হৌজিক মীয়াম্না উনরিবা লৌ য়ৈবগী থবক অসি ফোর্সনদা থ্রেসর মেছিন পানশিল্লগা ফৌবৈ পৈদুনা পাঙথোক্লবনি। থ্রেসর মেছিন্না লৌ য়ৈনবগীদমক ফৌবৈ পৈবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। অদুনা ফৌবৈ পৈবা হায়বসিসু খুল্লং চঙই। মীথোক লৈজ দবশিংনা শেল পীদুনা ওইরবসু খুল্লং নেক্তবা য়াদে। খুল্লংনা পাক চাউখ্রবা লৌবুক্তা খাউদোক্লবা ফৌগী খুদাপশিং খুল্লংগী মীয়াম্না ফৌবোল হোন্দুনা ফৌবৈ পৈশিনবনি। ফৌবৈ পৈরবা মতুং থ্রেসর মেছিনগী চৎথোক-চৎশিন নাতৈ চারবদি লৌ য়ৈবা য়ারে। থ্রেসর মেছিননা লৌ য়ৈবদসু মেছিন্দগী তারকপা ফৌশিং বোড়াদা পেকশিল্লগা য়ূমদা ফৌ হোঞ্জিন্নবা খুল্লংসু তঙাইফদনা চঙদবা য়াদে।

খুল্লং তৌদুনা লৌ খাউবা নৎত্রগা লৌ য়ৈবদা মীয়াম্না হোৎনমিন্নবা অসিসু অপূনবনা পাঙ্গলনি হায়বদু উৎলি। মতম অমদদি খুল্লং তৌবদা খুল্লং মুন্নবফাওবা য়াওখিদবা নত্তে। লৌ য়ৈবা নৎত্রগা লৌ খাউবদা খুল্লং মুন্নবগী থৌওং অসি অদুমক থেংনদুনা লাকই। হৌজিকসু মতাং-মতম চাদ্রবদি খুল্লং মুন্নবসি করিগুম্বদা থোকই। লৌ খাউবা অমসুং লৌ য়ৈবা হায়বসি অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা হায়বদি নোংজু-নুংশাগী ফীভম য়েংদুনা পাঙথোকপা মরম্না খুল্লং মুন্নবসি থোকপনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা খুল্লংগী চৎনবী অসি অমুক হেন্না কল্লম্মী। মতম অদুদা লৌ খাউবগী চৈরেং খুল্লং হায়না তৌনবসু লৈনখি। অদুগুম্বা চৈরেং খুল্লং অদু ইশামকসু নহা অমা ওইনা য়াওরকখিদবা নত্তে। হন্দক চহীগী ওইনসু মীগী লৌ য়ৈবা অমসুং ফৌবৈ পৈবগী খুল্লং তোনবদগী শীংখি। কুমসিদি মীয়াম্নসু খঙনরিবদুনি লৌ উবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লখ্রে। চীংখোঙ-চীংয়াদা লৈবা লৌফম কয়া মাঙহল্লে।

ফৌ মেত্রিক টন লাখ অমা হেন্না মাঙবা য়াবগী ফীভমদা লৈরি। লৌফম কয়া মাঙহল্লিবসিনা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোনসু অমুক হেন্না মাঙ-তাক্লিবনি। লৈঙাক্লবুদি হন্দক চহীগী ওইনা মাঙ-তাক্লবা লৌফমশিংদা থানবা মরূ-মরাংশিং য়েংন্থোকপা হৌখিবতা নত্তনা লৌমীশিংদা মতেং পাংনবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা লুপা কোটি ৩৬.৫৯ পীরকপা লৈখ্রে। তেংবাঙ অসি লৌমীশিংদা ফংহন্নবগী থবকসু পায়খৎপা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা মরূ-মরাং মেত্রিক টন ১৪৭.৯১ ফংহন্নবা য়েংন্থোকপা হৌখ্রে। য়াম্না লাইবক থীবদি কুম্বী-কালেন, নোংজু-নুংশা নাইদনা য়াম্না ৱানা হোৎনজরিবা লৌমীশিংনা কুমসিদি থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা লৌ উনবা অসিনি। লৌমীশিংদা অসিগুম্বা থৌওং মায়োক্লবসিনা নীংহন্নহল্লে। লৌ উবা তোক্লগে হায়নবা য়াওরে। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি মথং চহীদসু অদুম চত্থবা তারবদি হন্দক চহীদগী মথং চহীদনা অমুক্কা হেন্না লৌফম কয়া মাঙহল্লগদৌরিব্রা হায়বসি হংনীংঙাইনি।

হন্দক চহীগী ওইনা লৌ উবা য়াখিদবা মফমশিং থিজিনবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকা তাইনবদা লৈবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী লৌফমশিংনা য়াম্না হেল্লি। গভর্ণমেন্টকী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা থিজিনবদা লৌফম হেক্তর ২,১৯১ অদুগা লৌসাল (লৌমী শিন্মী অপূনবা লূপ) না থিজিনবদনা লৌফম হেক্তর ৫,২৮৮ নি হায়খ্রে।

লৌ উনবা লৌফমদা লৌমীনা চঙবা য়াদ্রবদি ফৌগী চাথোক পুথোকপা ঙম্লোই। মীপান তাংদনা হিংনবা হোৎনবদা চাথোক-পোত্থোক পুথোকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। চাথোক-পোত্থোক পুথোকপা ঙম্নবা চমজরবা লৌমীশিংনা খুল্লং তৌদুনা হোৎনজবনি। লৌমীনা চঙবা য়াদ্রবা লৌফমশিং অদুদি লৌমী অমত্তা খুল্লং চৎনদ্রে। খুল্লং চৎনদ্রবনিনা লৌফমশিং অদু লৌ উবা ঙম্লোইদবগী ফীভমদা লৈরকপনি। মী চঙবা য়াদবা মফমদা খুল্লং চৎপা হায়বসি য়াম্না খুদোংথীনীংঙাই ওইবনিনা খুল্লংগী চৎনবী মাঙখিদনবা থোক্লিবা ঈরাংসি মতম চানা লোইশিলহন্নীংই। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৯

১) **‘‘গর্গ-সংহিতা : মাধুর্য্য-খণ্ডম্’’** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা ইথোকপগে?

২) **‘‘মঙাল য়াওদ্রবা নুংথিল’’** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৩) **‘‘এংগল্ কয়াদগী লৌদুনা য়েক্লবা**
**নঙগী শক্তম্শিংনা অৱাঙ্বা কলাগী**
**খূদোল্ ওইনা চীংলেম্না মফম কল্লি**
**মালেম্গী মচি মচিদা লৈরিবা আর্ট গেলেরিশিংদা।’’** শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪) **‘‘মল্লবা খাঙপোকশঙ’’**হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবসি কনানো?

৫) **‘‘নুপী অমসুং মমিশিং’’** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।